
# ‘মহারাজ বোধচন্দ্রনা খ্বাইদগী পামজখিবা গেমসদি বোল্লিবোলনি’



মতম অমগী বোল্লিবোল শান্নরোয় কৃষ্ণচন্দ্র (কৃষ্ণ) শর্ম্মা



কুমজা ১৯৬১ দা কোলকটাদা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শান্নবা চংখিবা বোল্লিবোল টিমগী মেনেজর কেঁকষ্ণচন্দ্র শর্ম্মা

হান্নগী মখা...

ইশাগী ওইনা শান্নবা হৌজরকখিবসি কুমজা ১৯৪৮ চুড়াচান্দ স্কুলদা তম্বা মতমসিদগী হৌজরকখি। ইহান হান্না শান্নবা হৌরকখিবা মফমসি ললাম্বুং পুঙ ময়াদা লান চেনখ্রগা হোংজিল্লক্তবা মফম অমা লৈ। হায়রিবা ইঙ্খোলদুগী লমহাংদুদা বোল্লিবোলসি ঐখোয়না শান্নফম শেম্লগা শান্নবা হৌজরকখি। মসিগী মতুংদনা ললাম্বুং হায়স্কুলগী লম্পাক অসি ইহা হাংনা চাউনা লৈরম্মী। মদুদা ঐখোয়গা শান্নবা পামজবা অহল লমন ময়াম অমগা পুল্লগা শান্নফম গ্রাউন্দ শেম্লগা শান্নজরকখি। ঐখোয় লৈকায়গী বোল্লিবোল শান্নরোয় ওইমিন্নরকখিবসি তখেল্লম্বম ইবোপীশক (তা বাবুধোনগী মনাও), জুগীন, ইঙো ঐহাক্কা ঐখোয় খরসি নীংশিংজরি।

অয়াম্বদি ইকাউ কাউরে। ঐহাক্না বোল্লিবোল শান্নরকপা মতমসি চুড়াচান্দ হায়স্কুলদা ক্লাস সভেন, আইট তম্বা মতমসিদগীনি। মদুদগী মথং মথং শান্নজরকপদুনা কুমজা ১৯৫৩/৫৪ দা তৌখিবা ষ্টেট লীগ টুর্নামেন্টসিদা দি এম কোলেজগী টিমদা য়াওদুনা শান্নজরকখি। মদুগী

## লৈখিদ্রবগী মফমদা ঈকাইখুম্নবা উৎচদুনা নৌনা ফোঙজবা (অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং)

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**

কুমদু দি এম কোলেজনা টিম চেম্পিয়ন ওই। দি এম কোলেজগী প্রিন্সিপাল কাদা ফোটো অদুসু কুইনা থেৎলম্বনি।

কুমজা ১৯৪৮ দা ইম্ফাল স্পোর্টিং ক্লবতা য়াওদুনা বোল্লিবোল শান্নবা হৌরকখ্রে। হায়রিবা মতমসিদা ইম্ফাল স্পোর্টিং ক্লবকা ফাইনেল হেক হেক শান্নবা ক্লব অসি হৈরাঙ্গোই থোংগী বোল্লিবোল টিমগনি। ফাইনেলসি মখোয়না অমুক লৌই, ঐখোয়না অমুক লৌই তৌদুনা য়াম্না অকনবা লম্বা ওইরকখি।

বোল্লিবোলগী মতাংসিদা ঐনা কাউদবা ৱারী অমসু লৈ, লীজরক্কে পুন্সিদা ঐহাক্না ইহান হান্না মরী লোন দবা অঙৌবা বোল্লিবোল উজখিবসি চৈরাপ কোর্টকী মমাঙদা লৈরম্বা বোল্লি শান্নফমসিদনি। বোলদু নিংথৌজম বীনয়না কোলকটাদগী পুরকপনি। এন বিনয় অসি মতমদুদা কোলকটাগী পেত্রিগ্রু কোলেজদা তম্লি। মণিপুর থোরকপদা মহাক্না পুথোরকপনি। মহাক মশামকসু বোল্লিবোলগী অফাওবা শান্নরোয়নি। ঐখোয়দগী খরা সেনিয়র ওইবা মখোয়না শান্নবদু লোইবা ঙাইবদা নোং মরক্তা ঐখোয় অদুম লৈখি। ঐখোয়না ঙাইরিবগী মরমদি অহানবা ওইনা উবা বোলদু অমুক্তং পায়হৌনবনি।

বোলদু ঙৌরোক ঙৌরদনা অহানবা উবদুদা য়াম্লসু ফজখি। উরিপোক্কী চৈরাপ কোর্টকী মমাঙদা লৈবা বোল্লিবোল কোর্ট অদুদা ৱাং চাউরবা ঐখোয়দগী খরা মথক ওইবা অহল লমনশিংদুনা শান্নবদু অয়াম্বনা লোইনা হৈ।

-মথং-মথং









## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –২১

1. য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাগী মীন্নেসোতা (Minnesota) ষ্টেটকী গভর্ণনর ওইরম্বা প্রোফেসনেল রেষ্টলর অদু কনানো?
2. তেহরিক-ই-ইনশাফ (Tehrik-e-Insaf) কৌবা পোলিটিকেল পার্টি অসি করম্বা শান্নরোয়না লিংখৎখিবগে?
3. চহী ২০ গী মখাগী মিটর ১১০ গী হর্দলসগী অথোই অহেন তান্নবদা হর্দলসগী অৱাংবা অদু সেন্টিমিটর কয়ানো?
4. করম্বা চহীদা মণিপুর স্পোর্টস এসোসিয়েসনগা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগা পুনশিন্নখিবগে?
5. টেনিস শান্নবগী T-Shirt তা গুম্ভির (Corcodile) অমা য়েক্লগা শান্নবা অদু কনানা হৌদোক্লম্বগে?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ২৩, ইরাই নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## ময়ায় লম্বী কোলেজনা নুপাগী, থম্বাল মরিক কোলেজনা নুপীগী ইন্টর কোলেজ বোল্লিবোলগী ৱিন্নর ওইখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ২০ ঃ প্রভাবতি কোলেজ ময়াং ইম্ফালনা য়ূম্বু ওইদুনা কোলেজ অসিগী ইন্দোর ষ্টেডিয়মদা চথ্বরকপা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ মেন’স এন্দ ৱিমেন বোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬-১৭ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা নুপাগী কাঙলুপ্তা ময়ায় লম্বী কোলেজনা অদুগা নুপীগী কাঙলুপ্তুনা থম্বাল মরিক কোলেজনা ৱিন্নর ওইখ্রে।

নুপাগী টিম ৯ অমদি নুপীগী টিম মঙানা শরুক য়াদুনা চথ্বরকখিবা এম য়ু ইন্টর কোলেজ বোল্লিবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী ফাইনেল মেচতা ময়ায় লম্বী কোলেজনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ২৫-১৬, ২২-২৫, ২৫-২০, ২৫-২১ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি। মায়থীহৌরবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা রন্নর্স-অপ তাখি।

নুপীগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা থম্বালমরিক কোলেজনা লিবরেল কোলেজ ২৬-২৪, ২৫-১৭, ২৫-১৮ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখি। মায়থীহৌরবা লিবরেল কোলেজনা রন্নর্স-অপ তাখি।





